# রসিয়ানা দোনবাস রিজন পায়শিন্নবগী লান হৌখ্রে ওলেক্সেন্দ্রিয়াগী এয়র ফিল্ডদা মিসাইল কয়া কাপশিনখ্রে





কিভ, এপ্রিল ১৯ (এজেন্সী): রসিয়ন ফোর্সশিংনা নোংপোক থংবা দোনবাস রিজন পায়শিন্নবগী এসোল্ট চথুবা হৌখ্রে হায়না য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেন্সকিনা ফোঙদোকখ্রে।

ভিদিও এদ্রেস অমদা জেলেন্সকিনা মখা তারদুনা য়ুক্রেননা নিংহন্নবা লৈতনা লৈবাক অসিবু য়েক্লবগী অকন অরিং শীংবা থৌওংশিংদগী ঙাকথোক্কনি হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টেটনা চল্লাইবা য়ুক্রিনফোর্ম ন্যুজ এজেন্সিনা জেলেন্সকিগী ৱারোল পল্লদুনা হায়, রসিয়ানা দোনবাসকী লান হৌখ্রে হায়বসি হৌজিক ঐখোয়না হায়বা ঙম্মী। মসিগীদমক মখোয়না মতম শাংনা শেম শাদুনা লাকখি।

রসিয়ন আর্মি অপুন্বগী য়ান্নবা শরুক অমনা হৌজিক ওফেন্সিব অসিদা মীৎয়েং থল্লি। রসিয়ন ট্রুপ অসি য়াম্না থাজিল্লক্লবসু ঐখোয়না নিংহন্নবা লৈতনা মখোয়গা লান্থেংনগনি।

মোস্কোনা নিংথৌকাবা নুমিৎকী অথেংবদা য়ুক্রেনগী সিটি কয়াদা রোকেট অমসুং আর্টিল্লরি এটেক্টশিং চথুদুনা লান কনশিলহনখ্রে। হৌজিক দোনবাসকী লান হৌরে হায়না জেলেন্সকিনা মখা তাখি।

য়ুক্রেনগী টোপ সেক্যুরিটি ওফিসিএল ওলেক্সি দানিলোভনা হায়খি, মদুদি রসিয়ানা লমদম অদুগী য়ুক্রেনিয়ন ফ্রন্টলাইনশিং নমহৎলগা চঙশিন্নবা হোৎনরি।

রসিয়ানা অহানবদা য়ুক্রেনগী মরু ওইবা সিটি কয়া পায়শিনবা অমদি গভর্নমেন্ট চিংথুবা পামখি। তৌইগুম্বসুং অকনবা রেজিষ্টেন্স মায়োক্লরকপদগী রসিয়াগী টোপ দিফেন্স ওফিসিএলশিংনা ওপরেসন অদুগী অহানবা ষ্টেজকী মরু ওইবা পান্দমদি ফঙবা ঙম্লে অমসুং হৌজিক রসিয়ন ফোর্সশিংনা কেপিটেলগী অকোয়বদা লৈবা মফমশিংদগী হায়দোরক্লে হায়না ফোঙদোকখি।

মখোয়না য়ুক্রেনগী কেপিটেল কিভ পায়শিনবগী মহুত্তা রসিয়ন লোন ঙাঙবা দোনবাস রিজন লিবরেসন তৌনবা হোৎনবরোমদা ওইনা মীৎয়েং থম্নবগী থৌরাংশিং লাউথোকখি।

রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা য়ুক্রেনগী লান অদু লৈবাক অসিবু দি নাজিফাই তৌবা অমদি দিমিলিটেরাইজ তৌনবা হোৎনবা ওইনা উহনখি।

অমরোমদা, য়ুক্রেন অমসুং মসিবু শৌগৎপশিংনদি রসিয়ানা চথুরক্লিবা স্পিসিএল ওপরেসন অদু কায়হৌরুবা তৌদনা য়ুক্রেনদা এটেক্ট তৌরকপনি হায়না ফোঙদোক্তুনা লাক্লি। নিংথৌকাবা নুমিৎকী মতম অয়াম্বদা রসিয়ানা নোংপোক থংবা শরুক অয়াম্বদা রোকেট অমসুং আর্টিল্লরি এটেক্টশিং চথুখি।

লুহান্সকী ক্রিমিনা সিটিদা অমসুং দোনেটস এরিয়াদা সিভিলিয়ন নিপান শিখি। নোংচুপ থংবা লিভিবতা রসিয়ন ফোর্সশিংনা চথুরকখিবা এয়র ষ্ট্রাইক মরিদা মীওই তরেৎ শিখি অমসুং অতৈ ১১ না অশোক অপন নঙখি।

মমাঙদদি য়ুক্রেনগী অতৈ মফমশিংদা এটেক্ট তৌখিবগুম নোংচুপ থংবা সিটি অসিদা রসিয়ন ফোর্সশিংনা অকনবা এটেক্টশিং চথুখিদবনি।

চৈরক অসিদা য়ুক্রেনগী কিরোভোহরাদ রিজনগী ওলেক্সেন্দ্রিয়াদা লৈবা এয়র ফিল্ড অমদা রসিয়ানা মিসাইল এটেক্ট চথুরক্লে হায়না ওলেক্সেন্দ্রিয়াগী মেয়র সেরহি কুজমেনকোনা ফোঙদোকখ্রে।

থৌদোক অদুগী মতাংদা পল্লদুনা কুজমেনকোনা হায়খি, মদুদি লোকেল মতমদা নুমিদাং পুং ১০ ২৬ তাবদা ওলেক্সেন্দ্রিয়া সিটিদা লৈবা এয়র ফিল্ড ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমদা মিসাইল ষ্ট্রাইক চথুরকখি অমসুং হৌজিক রেস্ক্যু ওপরেসন চথুরি হায়রি।

# গাজাদগী কাপ্লকপা রোকেট ইজরেলনা ইন্টরসেপ তৌখ্রে, জোর্দাননা ইজরেল্লি এনভোই কৌখৎখ্রে



জেরুসালেম, এপ্রিল ১৯ (এজেন্সী): ইজরেল্লিশিং অমসুং পেলেষ্টিনিয়নশিংগী মরক্তা কন্না উংখৎনরিঙৈদা নিংথৌকাবা নুমিৎকী অথেংবদা গাজা ষ্ট্রিপতগী কাপ্লকখিবা রোকেট অমা ইজরেলগী এরিয়েল দিফেন্স সিষ্টেমনা ইন্টরসেপ তৌখ্রে হায়না ইজরেল্লি মিলিটরি স্পোক্স মেন অমনা ফোঙদোকখ্রে।

মিলিটরি স্পোক্স পার্সন অদুনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মদুদি গাজা ষ্ট্রিপতগী রোকেট অমা ইজরেল্লি টেরিটরিদা কাপশিল্লকখি। তৌইগুম্বসুং মদু আইরন দুম এয়র দিফেন্স সিষ্টেমনা ইন্টরসেপ তৌখি।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, গাজা ষ্ট্রিপতগী রোকেট কাপ্লকপা অদুনা মরম ওইদুনা গাজা ষ্ট্রিপকা নক্লবা ইজরেল্লি কম্যুনিটিশিংদা সাইরেন খোঙদুনা চেকশিন্নবা খঙহনখি।

হৌখিবা থা তরেৎকী মতম অসিদা গাজাদগী রোকেট কাপ্লকপা অসি মসিনা অহানবনি। হৌখিবা থা অমা খরা হেনবা মতম অসিদা ইজরেল্লি পুলিসনা মুস্লিমশিংগী শেংলবা রামদান থা মনুংদা ইষ্ট জেরুসালেমগী অল-অক্সা মোস্ককী কম্পাউন্দদা রেইদ চথুবা য়াওনা ইনৌ নৌনা ভাইওলেন্স কয়া পরিং নাইনা থোক্লকখিবগা লোয়ননা রোকেট এটেক্ট অসি চথুরকখিবনি।

অল-অক্সা মোস্ককী কম্পাউন্দদা ইজরেল্লি পুলিসনা চথুখিবা রেইদ অদুদা য়ামদ্রবদা পেলেষ্টিনিয়ন ২০০ অশোক অপন নঙখি।

অমরোমদা, হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পা, থাংনা থিনবা অমসুং কারনা মী থোম্বগী থৌদোকশিংদা ইজরেল্লি তরা হেন্না শিখ্রে। এটেক্ট খরদি ইজরেলগী আরব সিটিজনশিংদা পাঙথোকখিবনি।

চৈরকসিদা জোর্দাননা নিংথৌকাবগী অথেংবদা অম্মানদা লৈবা ইজরেল্লি এম্বেসিগী ইজরেল্লি চার্জদ দি এফেয়র কৌখৎতুনা ইজরেলনা অল- অক্সা মোস্ককী কম্পাউন্দদা চথুখিবা ওপরেসনশিং অদুবু প্রোটেষ্ট তৌখ্রে হায়না জোর্দানিয়ন ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোরক্লি।

জোর্দানগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্স মেন হাইথম অবু অল-ফাউলনা লাই খুরুম্লিবা মীওইশিংগী লাইশোল পাঙথোকপা য়াবগী হক ইকায় খুম্নবীফম থোকই হায়না পল্লদুনা শেংলবা মফমশিংদা ভাইওলেন্স চথুবা অমদি মীওই কাঙলুপশিংগী মরক্তা য়েংথীনহল্লক্কদবা থৌওংশিং চথুবা লেপ্পনবা তকশিনখি।

জোর্দানিয়ন ওফিসিএল অসিনা হায়খি, মদুদি ইজরেল্লি এনভোই কৌখৎতুনা ইজরেল্লি গভর্নমেন্টদা খুদক্তা প্রোটেষ্ট মেসেজ থাখিনবা খঙহনখি। মেসেজ অদুনা ইজরেল্লি গভর্নমেন্টদা খঙহল্লিবদি অল-অক্সা মোর্স্ককী হৌজিক লৈরিবা ফিভমশিং অহোংবা লাকহন্নবা ইজরেল্লি ওথোরিটিশিংনা লৌখৎলিবা থৌরাংশিং খুদক্তা লেপকদবনি হায়বসিনি।

# অশোয়বা কয়া তৌখি হায়বা শ্রী লঙ্কাগী প্রসিদেন্টনা য়াজখ্রে, মীয়ামদা এপোলোজাইস তৌখ্রে



কলম্বো, এপ্রিল ১৯ (এজেন্সী): শেল থুমগী শাথিবা ক্রাইসিস অমা মায়োক্লরিবা শ্রী লঙ্কাগী প্রসিদেন্ট গোটাবয়া রাজাপক্সানা মশানা অশোয়বা কয়া তৌখি হায়বসি য়াজখিবগা লোয়ননা মীয়ামদা এপোলোজাইস তৌখ্রে।

নৌনা এপোইন্ট তৌবা কেবিনেট মিনিষ্টর ১৭ অমসুং ষ্টেট মিনিষ্টর ২১ দা ৱা ঙাঙলদুনা রাজাপক্সানা হায়খি, মদুদি শেল থুমগী ক্রাইসিস অসিনা মরম ওইদুনা মীয়ামদা অচৌবা প্রেসর অমা পীরি। ফিভম অসিনা ঐহাকপু য়াম্না নুংঙাইহন্দে।

শাথিরবা শেল থুমগী ক্রাইসিস মায়োক্লরিঙৈ মরক্তা ইন্টরনেসনেল মনিটরি ফন্দ (আইএমএফ) কী মতেং লৌনবা হোৎনবদা থিন্থখি হায়বা অসিসু মহাক্না য়াজখি অমদি লৌমীশিংদা কেমিকেল ফর্টিলাইজর ফঙহন্দনবা লৌখিবা ৱারেপ অদুসু লাল্লি হায়খি।

রাজাপক্সানা মখা তানা হায়খি, মদুদি মহাক্না চহী অনীমখায়রোম পাল্লক্লিবা অদুদা কোভিদ ১৯ পেন্দেমিক শেন্দোলগী পোৎলুম য়াওনা শীংনবা কয়া লৈখি। শীংনবশিং অসিগী মথক্তা ঐখোয়গী মায়কৈদসু থবক তৌবদা অশোয়বা খরা লৈখ্রে।

অশোয়বশিং অসি চুমথোকপা মথৌ তাই। অশোয়বশিং চুমথোক্তুনা ঐখোয়না মাঙলোমদা চঙশিনগদবনি। ঐখোয়না অমুক হন্না মীয়ামগী থাজবা ফঙনবা হোৎনবা মথৌ তাই হায়না নৌনা এপোইন্ট তৌবা মিনিষ্টরশিং অদুদা মহাক্না হায়খি।

শ্রী লঙ্কাদা তঙাই ফদবা পোৎলমশিং ফঙলক্তবগা লোয়ননা পোৎলমশিং অদুগী মমল কা হেন্না ৱাংদুনা ইথৎ লৈবাক অসিগী মীয়াম্না কা হেন্না ৱারকপদগী অশাউবা উৎলকখিবশিং মরম চাই হায়নসু প্রসিদেন্ট রাজাপক্সানা ফোঙদোকখি।

তৌইগুম্বসুং মীয়াম্না পাক শন্না প্রোটেষ্ট তৌদুনা ফম থাদোক্লবা দিমান্দ তৌরবসু রাজাপক্সানা ফম থাদোকখিদবনি। হিংবদা তঙাই ফদনা চঙবা পোৎলমশিং মমল কা হেন্না ৱাংনা লৈনবগীদমক্তা মতম শাংনা ক্যুদা লেপ্পগী অৱাবা নঙহনখিবা মীয়াম্না অশাউবা উৎখিবদু মরম চাই।

অশোয়বা পুম্নমক হৌখ্রে।

অশোয়বশিং চুমথোক্তুনা মীয়াম্বু মাঙলোমদা চঙশিনবদা ঐহাক্না মীয়ামগী লুচিংবা অমা ওইনা লৌফম থোকপা থৌদাং লৌগনি। খুদোংচাদবা নত্তগা শীংনবা কয়াগী মরকসিদা ঐহাক্না মীয়াম্না শিন্নরকপা থৌদাং নাথৈবা তৌরোই। ইলেক্তেদ রিপ্রজেন্টেটিব অমা ওইনা ঐহাক্না লৈবাক অসিগী মীয়ামদা শকখিবা ৱাশক থবক্তা ওন্থোক্লবা হনবা লৈতনা হোৎনগনি হায়না রাজাপক্সানা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়ানা হৌখিবা জনুৱারীদগী ফ্যুএল, হিদাক লাংথক অমসুং অতৈ তঙাই ফদ্রবা পোৎলমশিং ইম্পোর্ট তৌবগা মরী লৈননা পীরকখিবা দোল্লর বিলিয়ন ২.৫ লোমগী শেলগী তেংবাংগী মতাংদা পল্লদুনা রাজাপক্সানা হায়খি, মদুদি শ্রী লঙ্কানা মরুপ মপাং ওইবা লৈবাকশিং অমসুং ইন্টরনেসনেল ওর্গনাইজেসনশিংগী সপোর্ট মথৌ তাই।

ঐখোয়না ঙসি মায়োক্লরিবা শাথিরবা শীংনবা অসিবু লাকহৎনবা ইন্টরনেসনেল মনিটরি ফন্দগুম্বা ইন্টরনেসনেল ওর্গনাইজেসনশিং অমদি মরুপ মপাং ওইবা লৈবাকশিংগী সপোর্ট ঐখোয়না য়াম্না মথৌ তাই।

ꯑꯣꯏꯕꯥ / ওন্নখিবা

ঙরাং পাউচে অসিমক্তদা য়াওখিবা “**নাওপুরিবী মৌনহা অমা ইজ্জৎ মাঙহনবীরম্লে হায়বা ৱাফম হায়জিনবনি, অদুনা য়ানিংদে**” হায়না মীয়ামদা খঙহঞ্জখিবা চেরোল অদুদা খঙহঞ্জরিবা কোইজম নিমাই মীতৈ মপা অজিৎকুমার হায়না হায়খিবদু কোইজম নিমাই মীতৈ (অজিৎ কুমারগী মপা) হায়না হায়গদবনি।

ꯁꯂꯥꯏ URGENT JOB VACANCY

Govt. Regd. No. SSL/64/com Estd of 2016, Manipur

Airport Job Vacancy at Bangalore, Hyderabad & Kolkata

(Training with 100% Placement) First Come First Chance

| Sl. No. | Name of the Post | Salary | No. of Posts | Qualification |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Loader/ Cargo Loader/Cleaner | Rs. 12000 above | 30 | VIII/X/XII |
| 2 | VIP Lounge Staff/ Ground Staff | Rs. 15000 above | 20 | XII / Grad / Master |
| 3 | Commercial CSA Staff/ Attendent | Rs. 15000 above | 20 | Grad / Master |
| | Job Vacancy at Imphal (First Come First Chance) | | | |
| 1 | Office Reception/ Front desk | Rs. 5000 - 20000 | 18 | X / XII / G |
| 2 | Food & Beverage Supervisor | Rs. 10000 | 10 | XII / G |
| 3 | VIP Driver / Company Driver | Rs. 6000-15000 | 15 | VIII / X / XII |
| 4 | Security Guard (M/F) | Rs. 6000-25000 | 25 | VIII/X/XII |
| 5 | Helper/ Chawkidar | Rs. 4500 - 20000 | 15 | VIII/X/XII |
| 6 | Cook / Waiter | Rs. 4500-20000 | 20 | VIII/X/XII |
| 7 | Delivery Service | Rs. 8000 | 5 | XII/ Graduate |
| 8 | Juice Selling Workers | Rs 5000 | 20 | VIII/X/XII |
| 9 | Ex- Service Men | Rs. 8000- 15000 + EPF | 10 | VIII/X/XII |
| 10 | Supervisor / Trainer | Rs. 8000 – 20000 +EPF | 10 | VIII/X/XII |
| 11 | Official Managerial Staff | Rs. 5000- 8000 | 20 | X / XII |
| | Vacancy at North East India (Male/Female) | | | |
| 1 | Security Guard (Pune) | Rs. 18000 + EPF | 30 | VIII/X/XII |
| 2 | Ex-Servicefman (Assam) | Rs. 30000 + EPF | 30 | VIII/X/XII |
| 3 | Banking Staff (26 Yrs) | Rs. 14000 above | 15 | Graduate |

Last Date of Submission : 28/04/2022 For More Information Please Contact

Offcie Timing : 10:30 am to 3:00 pm # 7641836503 / 8794793684

Date of Interview : 29/04/2022

Salai Unemployment Service Centre

Sagolband Salam Leikai, Near Luxmi Kitchen, Jiri Parking

HL-P/2179/7,8,11,13,17,18,20,23,25

## মার্কেট বিল্ডিং নিংখায়বা মরি শিরে

জাকারটা, এপ্রিল ১৯ (এজেন্সী): ইন্দোনেসিয়াগী সাউথ কালিমন্টান প্রোভিন্সতা মিনি-মার্কেট বিল্ডিং অমা নিংখায়রকখিবদা মীওই মরি শিখ্রে অমসুং অতৈ কয়া অশোক অপন নঙলে হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা রেস্ক্যু ৱার্কর অমনা ফোঙদোরক্লি।

মার্কেট বিল্ডিং নিংখায়বগী থৌদোক অদু রেসিদেন্টশিংনা বঞ্জার দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা বিল্ডিং অদুদা চান থক্লবা পোৎলমশিং লৈনরিঙৈ নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরম পুং ৪.৩০ রোম তাবা মতমদা থোক্লকখিবনি হায়না প্রোভিন্সিএল ছার্স এন্দ রেস্ক্যু ওফিসকী ওপরেসন য়ুনিটকী মকোক ৱাশিনোনা ফোঙদোকখি।

ফোনগী খুথাংদা মহাক্না এজেন্সিদা ফোঙদোরকখিবদা মিনি মার্কেট বিল্ডিং নিংখায়বদা শিখিবা মী মশিং পুন্না মরিনি। অতৈ মীওই ১৩ অশোয় অঙাম য়াওদনা রেস্ক্যু তৌবা ঙমখি। মীওই খরদি অশোক অপন থোক্লমখি। মখোয় হৌজিক হোস্পিটালশিংদা ট্রিটমেন্ট পীরি।

## সিয়াশিং তাবা মফমদা বোম পোকখায়বদা ৬ শিরে

কাবুল, এপ্রিল ১৯ (এজেন্সী): লৈবাকপোকপা নুমিত্তা কাবুলগী সিয়াশিং তাবা হজরা কৌবা মফম অমদা লৈবা নুপামচাশিংনা তম্নবা স্কুল অমদা বোম অহুম পোকখায়রকপদা মীওই তরুক শিখ্রে অমসুং ১১ না অশোক অপন নঙখ্রে হায়না কাবুলদা পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

কাবুল পুলিস কম্মান্দগী স্পোক্স মেন খালিফ জদ্রানা হায়খি, মদুদি বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদু কেপিটেলগী নোংচুপ থংবা দষ্ট-ই-বার্সি কৌবা মফম অমদা লৈবা অব্দুল রাহিম সাহি হায়স্কুলদা থোকখিবনি। অশিবশিংদুগী মনুংদা অঙাং কয়া য়াওখি হায়রি।

COMET

ꯀꯣꯃꯦꯠ

Combined Oceans of Medical & Engineering Tutorials

ADMISSION OPEN

CRASH COURSE 2022

For NEET (Medical) Aspirants

Physical Class : Morning 8:00 am

Admission form & Prospectus is available

➢ Last Date of Admission : 25th April , 2022

➢ Class commencement from : 4th May, 2022

Special Features

☞ Assessment test every week on Monday.

☞ After test Questions & Answer discussion on the following day of test.

☞ Study Materials will be provided.

SPECIAL CONCESSIONS FOR BRILLIANT STUDENTS & COMET SCHOOL STUDENTS

☞ Freeship for top 25 ranks of Manipur board in Class-X 2020 Batch (Limited seats)

☞ Freeship for students securing 95% and above CBSE & other Boards in Class-X 2020 Batch (Through Screening Test)

☞ Fee concessions for COMET School students (Limited seats)

FIRST COME FIRST SERVE

HL-P/7609/20

# পাক্তক্লনা থোক্লিবা ঈশিং ঈচাও লাকশিন্নবা সাউথ অফ্রিকানা ষ্টেট ওফ নেসনেল দিজাষ্টর লাউথোকখ্রে



জোহনেসবর্গ, এপ্রিল ১৯ (এজেন্সী): হৌখিবা চয়োলদা সাউথ অফ্রিকাগী ক্বাজুলা-নাটাল প্রোভিন্সতা থোকখিবা ঈশিং ঈচাওদা মাঙ তাকখিবশিংগী ভেল্যু রান্দ বিলিয়ন কয়া য়ৌখিবগা লোয়ননা সাউথ অফ্রিকাগী প্রসিদেন্ট সিরিল রামাফোসানা নিংথৌকাবগী নুমিদাং অথেংবদা নেসনেল ষ্টেট ওফ দিজাষ্টর লাউথোকখ্রে।

হৌখিবা নোংমাইজিংগী অহিংদা কেবিনেটকী অখন্নবা সেসন অমা পাঙথোকখি অমসুং নেসনেল ষ্টেট ওফ দিজাষ্টর লাউথোক্লবা ৱারেপ লৌখি হায়না রামাফোসানা টেলিভিজনগী থোঙদা মীয়ামদা ৱা ঙাঙবদা মহাক্না হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, মদুদি দিজাষ্টর কোওর্দিনেট তৌবা অমসুং মেনেজ তৌবগী মরু ওইবা থৌদাং অসি নেসনেল গভর্নমেন্টদা শিন্নরে। প্রোভিন্সিএল গভর্নমেন্ট অমসুং ম্যুনিসিপালিটিশিংগা খুৎশম্নরগা থবক তৌমিন্নগনি। হৌখিবা চয়োলদা ক্বাজুলা-নাটালদা প্রোভিন্সিএল ষ্টেট ওফ দিজাষ্টর লাউথোকখিবনি।

ক্বাজুলা-নাটালদা ঈশিং ঈচাও থোকপদগী মাঙ তাকহনখিবশিং অদুগী চৈথেং লমদম অসিগী ৱাংমদসু নঙখি হায়না পল্লদুনা প্রসিদেন্ট রামাফোসানা হায়, দরবান্দ পোর্টতা মাঙ তাক্লিবা অদুনা মতুং তাবদা লৈবাক পুম্বদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লহল্লকপা য়াবগী ফিভম লৈ।

মসিনা মরম ওইদুনা কেবিনেটনা নেসনেল ষ্টেট ওফ দিজাষ্টর লাউথোক্লবা ৱারেপ লৌখিবনি। অফ্রিকাগী খ্বাইদগী চাওবা অমসুং খ্বাইদগী হেন্না মথৌ চিনবা পোর্ট টর্মিনেলশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা অমদি লৈবাক অসিগী ইকনোমিদসু তৎন থানবা য়াদ্রবা দরবান পোর্ট অসি ঈশিং ঈচাও অদুনা শাথিনা অমাঙ অতা থোকহনখি।

পোর্ট অসিগা লৈবাক অসিগী অতৈ মফমশিংগা শম্নহল্লিবা বে হে রোদতা শাথিনা অমাঙ অতা থোকপনা মরম ওইদুনা পোর্ট অসি শীজিন্নবা য়াদবগী ফিভমদা লৈখ্রে।

ঈচাওগী ফিভমশিং অসি মায়োক্লনবগী ফন্দ ওইনা খুদক্কী ওইনা রান্দ বিলিয়ন অমা (দোল্লর মিলিয়ন ৬৮ লৈরে) অহেনবা রিছোর্সশিংগীদমক্তা পার্লিয়ামেন্টদা খন্নরগনি হায়না রামাফোসানা ফোঙদোকখি।

কুমজা ১৯৮৭ কী মতুংদা অহানবা ওইনা হন্দক্তা ক্বাজুলু-নাটালদা খ্বাইদগী শাথিবা ঈশিং ঈচাও থোকখিবনি। ঈচাও অসিদা য়ামদ্রবদা মীওই ৪৪০ শিখি অমসুং মশিং য়াম্লবা য়ুমশিং, বিজিনেসশিং, লম্বীশিং অমসুং থোংশিং ফিভম থীনা অমাঙ অতা থোকখি।

হন্দক্কী ঈচাও অসিনা মরম ওইদুনা মীওই লিশিং ৪০ হেন্না ময়ুম মকৈ লৈহনখিদ্রে। হ্যুমেনিটরিয়ান দিজাষ্টর অসি মায়োক্লবদা অচৌবা রিছোর্স মথৌ তাই হায়না প্রসিদেন্ট রামাফোসানা ফোঙদোকখি।

# এয়র ষ্ট্রাইক মতুংদা টালিবাননা টিটিপি মিলিটেন্টশিং শিন্নরক্তবদগী পাক-অফঘানিষ্টান য়ান্নদবা হেনগৎলক্লে

ইস্লামাবাদ, এপ্রিল ১৯ (এজেন্সী): অফঘানিষ্টান মনুংদা পাকিষ্টান্না এয়র ষ্ট্রাইক কয়া চথখিবগী মায়োক্তা টালিবাননা প্রোটেষ্ট তৌববু থৌশাদনা পাকিষ্টানি ফোরেন ওফিসনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ইস্লামাবাদতা লৈবা অফঘান এনভোই কৌখৎতুনা মমাঙদা অফঘান-টালিবানগী থৌওংশিংদা পাকিষ্টাননা খাঙবা ঙম্লক্ত্রে হায়না খঙহনখ্রে।

পাকিষ্টানবু মরু ওইনা কাবুলবু য়ানিংদ্রিবদি টালিবান রেজিমনা টেরোরিষ্টশিং মরু ওইনা টেহরিক-ই-টালিবান পাকিষ্টান (টিটিপি) গী মিলিটেন্টশিংবু চঙজফম পীবা অসিনি।



টিটিপিনা দুরান লাইন লান্না এটেক্ট কয়া লেপ্তুনা চথুরক্লিবা অসি পাকিষ্টাননা হকচিন্না লৌই। মরাল লৈজদ্রবা অফঘান কয়া শিহনখিবা ৱাথোক ওইরবা এয়র ষ্ট্রাইকশিং অদুগী মতাংদা পন্দনা পাকিষ্টানগী ফোরেন ওফিসনা নোংমাইজিং নুমিত্তা হন্দক্তগা থোকখিবা থৌদোকশিংগা মরী লৈনবা অকুপ্পশিংগী মতাংদা ষ্টেটমেন্ট অমা পীখি।

ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোরেন ওফিসনা হায়, হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা পাক-অফঘান বোর্দর পরিংদা থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং তোইনা থোক্লকখি। থৌদোকশিং অদুদা বোর্দর ৱাংমদগী পাকিষ্টানি সেক্যুরিটি ফোর্সশিংদা টার্গেট তৌরকখি।

পাকিষ্টানগী ফোরেন ওফিসনা মখা তানা হায়, লৈবাক অনীনা স্যের তৌনরিবা বোর্দর পরিং দুরান লাইনদা ইন্সটিট্যুস্নেল চেনেলশিংগী খুথাংদা ইফেক্তিব কোওর্দিনেসন অমসুং সেক্যুরিটি লৈহন্নবা হৌখিবা থা কয়া অসিদা টালিবানদা কয়ারক হন্না খঙহনখি। মখোয়দা অথিংবা থমখ্রবা টিটিপিগী লুচিংশিং শিন্নরক্লবা চেকশিন্না খঙহনখিবা লৈরবসু হৌজিক ফাওবদা মখোয়না হিরম অসিগী মতাংদা লৌখৎফম থোকপা অমত্তা লৌখৎতনা লৈরি।

লাইবক থীবদি টিটিপি য়াওনা বোর্দর রিজনদা ওপরেট তৌরিবা টেরোরিষ্ট গ্রুপশিংগী ইলিমেন্টশিংনা পাকিষ্টানগী বোর্দর সেক্যুরিটি পোষ্টশিংদা লেপ্তুনা এটেক্ট চথুরকখি। এটেক্টশিং অদুদা পাকিষ্টানি ট্রুপ কয়া মথ্বায় থাখি। এপ্রিল ১৪ দসু অফঘানিষ্টানদগী ওপরেট টেরোরিষ্টশিংনা নোর্থ ৱাজিরিষ্টান দিষ্ট্রিক্টতা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা পাকিষ্টান আর্মিগী লান্মী তরেৎ শিখি।

থাংজ নুমিৎকী অথেংবদা অফঘানিষ্টানগী নোংপোক থংবা লমদমশিং ওইরিবা খোষ্ট অমসুং কুনারদা পাকিষ্টান এয়র ফোর্সনা বোম্বিং রেদশিং চথখিবগী পাউ কয়া ফোঙলকখিবা মতুংদা ইস্লামাবাদনা ৱার্নিং অসি পীখিবনি। এয়র এসোল্টশিং অদুদা য়ামদ্রবদা অঙাং মঙা অমসুং নুপী তরেৎ য়াওনা য়ামদ্রবদা মীচম ৪৫ শিখ্রে হায়না টালিবাননা ক্লেম তৌখি।

এটেক্টশিং অদুগী মায়োক্তা থাংজ নুমিত্তা খোষ্টকী মীয়াম্না প্রোটেষ্ট তৌখি। এয়র ষ্ট্রাইকশিং অদুবু পন দবীদা টিটিপিগী ফাইটর ৩৫ হাৎখ্রে হায়না পাকিষ্টানগী ছোর্সশিংনা ক্লেম তৌখি।

মখোয়গী ক্লেম অদুদা টিটিপিগী কম্মান্দর সলার জানি খেল, মহাক্কী মপা অমসুং মচানুপা অনীসু হাৎখ্রে হায়না পনখি।